# সি বি এস ই গী ৱাহং লিক ওইখিবগা মরী লৈননা ট্যুটর অহুম ফারে, থৌদোক অদুদা মরু ওইনা চেন্নবা মীওই মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১ ঃ*

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি বি এস ই) গী ক্লাস টুৱেল্বকী ৱাহং লিক ওইখিবগী মতাংদা মীওই অহুম ফারে হায়না দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাহং লিক ওইখিবা অদুগা মরী লৈননা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওই অদুসু মশক খঙদোকপা ঙম্লে। ক্লাস টেনগী ওইনা মহৈরোয় অমনা সি বি এস ই গী চিয়ারপার্সন অনিতা করৱানদা অহিংগী পুং ১.৩০ চৎপা মতমদা ইমেনগী খুথাংদা খঙহনখি। মার্চ ২৮ দা পাঙথোক্কদবা এক্সাম অদুগী ৱাহং লিক ওইখিবগী খূৎনা ইবা ৱাহং কয়া হ্বাটচএপসতা থাগৎখি।

সি বি এস ই গী ক্লাস টেনগী অঙ্ক অমসুং ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক্স পেপরগী পরীক্ষা মফম খরদা হন্ননবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

ক্লাস টেনগী অঙ্কগী ৱাহংশিং লিক ওই হায়না সি বি এস ই গী চিয়ারপার্সন অনিতা করৱানদা মহৈরোয় অমনা পরীক্ষা পাঙথোক্কদবা মমাঙদা খূৎনা ইবা ৱাহং ১২ গী ফোটো থাজিল্লকখি। দিল্লিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা স্কুল অমদা ফিজিক্স অমসুং মেথমেটিক্সকী মরু ওইবা ৱাহংশিং তন্বীবগী থৌদোক লৈ।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মরু ওইবা ৱাহংশিং তাকপি–তন্বীবা অদুগীদমক মহৈরোয় অমদি লুপা ২,৫০০ ফাওবা ট্যুটরশিং অদুনা লৌখি হায়রি।

কেস অদুগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা হৌজিক মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি বাৱানা কোচিং সেন্টরগী মপু টোকির অমসুং প্রাইভেৎ স্কুল অনীগী ওজা রিসব অমসুং রোহিটনি হায়রি।

মখোয় ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক্স পেপরগী ৱাহং লিক ওইখিবা অদুগা মরী লৈনৈ। পাউ অসিগী মতুং ইন্না পরীক্ষা হৌগদবা পুং ১.৩০ রোমগী মমাঙদগী ইকোনোমিক্সকী ৱাহং অদু লিক ওইরকপা থেংনখি হায়রি।

ট্যুটরশিং অদুনা মহৈরোয়শিংদগী ৱাহং অদু খঙহন্নবা অমসুং পাউখুম পীবগী মতাংদা লুপা ২,০০০ দগী লুপা ৫,০০০ ফাওবা লৌবা লৈখি হায়বগী পাউসু লাকখি।

ৱাহংশিং অদু সিয়ার তৌনরকখিবা মীৎয়েংগী মতাংদ হ্বাটএপস গ্রুপ তরুক চেন্নৈ। মখোয়গী মথক্তা য়েংশিনবগী থবক চথরি হায়রি।

দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ওফিসার অমনা ফোঙদোরকখিবদা ক্লাস টেনগী অঙ্কগী ৱাহংশিং অদু মহৈরোয় অমনা হ্বাটএপসতগী ফংবা ঙমখি। মখা তারকপা ওইবা মহৈরোয় অদুনা মহাক্কী অপোকপগী ইমেন আই দি শীজিন্নদুনা সি বি এস ই গী চিয়ারপার্সন অনিতা করৱানগী মেনদা থাজিনখি। হৌজিক মহৈরোয় অমসুং অপোকপা মপা অদু ৱাহং পাউখুম চথরি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ঙসি ফাওবদা ৱাহং লিক ওইবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয় ৫৩ অমসুং ওজা ৭ ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

জর্খনগী চত্রা দিষ্ট্রিক্টতসু ক্লাস টেন অমসুং ইলবেনগী মহৈরোয় য়াওনা মীওই ১২ ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

সি বি এস ই না লৌবা ক্লাস টেনগী অঙ্কগী ৱাহং অমসুং ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক ৱাহং লিক ওইরকখিবগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই কয়া ৱাহং পাউহং চথরি।

নাকল অমরোমদা ক্লাস টুৱেল্বকী হিন্দী (ইলেক্তিভ) কী শাশিন্নবা ৱাহং কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎনরকখিবা লৈরে। অদুগুম্বা ৱাহংশিং অদু মমাঙ চহীদা হংখিবা ৱাহংশিংনি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

# চিনাগী স্পেস লেবোরেটরি টিয়াঙ্গোং–১ লৈমায়দা তাশিল্লক্লগনি

*বৈজিং, এপ্রিল ১ ঃ*

চিনাগী স্পেস লেব টিয়াঙ্গোং–১ শীজিন্নবা য়াদনা লৈরক্লবা মতুং মালেমগী নুংশিৎকী কুয়োম লানশিন্দুনা লৈমায়দা তাশিল্লক্লগনি হায়রি।

চিনাগী স্পেস এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা স্পেস ষ্টেসন অদু মথংগী পুং ২৪ গী মনুংদা এদমোসফিয়ারদা চঙশিল্লক্লগনি। টিয়াঙ্গোং–১ চিনাগী খ্বাইদগী চাউনা থাজবা থমখিবা স্পেস প্রোগ্রাম অমনি। ইং ২০২২ দা হায়রিবা স্পেস লেব অদুগা মান্নবা মী লৈবা য়াবা প্রোটোতাইফ ষ্টেসন থম্ননবসু হোৎনরিবনি।

ইং ২০১১ দা লৈবাক অদুনা থাগৎখিবা স্পেস ষ্টেসন অমসু ওর্বিটতা চঙশিল্লক্কুনা লৈমায়দা তারকখিবা লৈখ্রে। পাউ অসিগী মতুং ইন্না এপ্রিল ২ গী বৈজিংগী মতমদা পুং ৭.২৫ চৎপদা স্পেস লেব অদু অমুক হন্না এটমোষ্টফিয়ারদা চঙশিল্লক্লগনি। অদুম ওইনমক স্পেস ষ্টেসন অদুনা এটমোষ্টফিয়ারদা চঙশিল্লকপদা হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াবা ফিভম কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্তদি লৈমায় য়ৌরক্লবা য়াই হায়রি।

স্পেস ষ্টেসন অদুনা এটমোষ্টফিয়ারদা চঙশিল্লকপদা মৈ চাকথেকখিগনি। অদুম ওইনমক লেমহৌখাক খরদি লৈমায় য়ৌরক্কনি হায়রি।

চিনা মেনেদ স্পেস ইঞ্জিনিয়ারিং ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা স্পেস ষ্টেসন অদুনা লৈমায়দা তাশিল্লকপদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহল্লে। ফিল্মগী মওংদা চাউনা মাঙ–তাকহনবা য়াবা ফিভম অদু লৈরোই হায়রি।

ইং ২০১৬ তা টিয়াঙ্গো–১ চিনাগী স্পেস ষ্টেসনশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রবনি। স্পেস ষ্টেসন অদুগী মচৎ শেমদোক শেমজিন ঙমদবগা লোয়ননা করম্বা মতমদা লোয়শিনখিগদগে হায়বা অদু খঙবা ঙমদনা লাকখি।

য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা স্পেস ষ্টেসন অদু লৈমায় তম্না চঙশিল্লকপগা লোয়ননা পৃথিবীগী ইক্বেটরদগী অৱাংলোমদা নৎত্রগা খা রোমগী দিগ্রি ৪৩ এন অমসুং ৪৩ এসগী মনুংদা তাশিল্লক্লবা য়াই হায়রি।

য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা স্পেস এজেন্সি অদুগী অতেক–অকায়শিং ন্যুজিলেন অমসুং য়ু এস কী ময়াই থংবা নোংপোক্কী শরুক্কী মফম অমদা তাশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

ডাক্তর ইলিয়াস কৌবা অষ্ট্রেলিয়ান সেন্টর ফোর স্পেস রিছার্সকী দিপ্যুটি দাইরেক্তরনা ফোঙদোকখিবদা পৃথিবীগী অথাবা নুংশিৎকী কুয়োমশিং লানশিল্লকপগা লোয়ননা স্পেস ষ্টেসন অদু হেন্না য়াংনা লৈমায়দা তাশিল্লক্কনি। লৈমায়দগী কিলোমিটর লীশিং অমরোম লাপ্পা মফম য়ৌরকপদা স্পেস ষ্টেসন অদু শাগৎলকপগা লোয়ননা মৈ চাকপা হৌরক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা স্পেস ষ্টেসন অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং মৈনা চাকথেকখিবনি।

লৈমায়দা তাশিল্লকপা মতমদা কয়া য়াম্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবগে হায়বদু খঙবা ঙমদে হায়রি।

টন ৮.৫ লূম্বা স্পেস ষ্টেসন অদুনা নুংশিৎকী কুয়োমদা চঙশিল্লকপা মতমদা মচেৎ মচেৎ কায়খিবনি। অকনবা শরুকশিং মরু ওইনা চাকথেকপা মপুঙ ফানা লোয়হৌদবা শরুকশিং লৈমায়দা তাশিল্লক্কনি। স্পেস ষ্টেসন অদুগী চাদা ২০ দগীনা ৪০ ফাওবগী চাংদা চাকথেকপা ঙমদনা লৈমায়দা তাশিল্লক্কনি হায়নসু য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সিগী লুচিংবা হোলগর ক্রেগনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

স্পেস ষ্টেসন অদু নুংশিৎকী কুয়োম লানশিল্লকপদা অয়াম্বা শরুকশিং চাকথেকখিবনি। অদুগা চাকথেকপা ঙমদবা লেমহৌখাক খরদি লৈমায়দা তাশিল্লকপা শোয়দ্রে।

গ্রাউন্দ কন্ত্রোলনা লৈমায়দা তাশিল্লক্কদবা স্পেস ষ্টেসন অদুগী শরুকশিং করম্বা মফমদা য়ৈশিল্লগদগে হায়বা অদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।



# ইন্দিয়া মচা ৩৯ গী হকচাং পুরক্লবা ভি কে সিংহ ইরাক্তা চৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১ ঃ*

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স (ষ্টেট) মিনিষ্টর ভি কে সিংহ ঙসি আই এস আই এস না হাৎখ্রবা ইন্দিয়া মচা ৩৯ গী হকচাং পুরক্লবা ইরাক্কীদমক খোঙশানখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অদুনা টেরোরিষ্টশিংনা হাৎখ্রবা ইন্দিয়া মচাশিং অদুগী হকচাং হয়েং ফাওবগী মনুংদা পুরক্লবা য়াই হায়রি। মিনিষ্টর অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবদা হিন্দোন এয়ারবেজদগী ইরাক্কীদমক খোঙশানখি। লুচিংবা অদুনা হকচাংশিং অদু হয়েং ফাওবগী মনুংদা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

লুচিংবা অদুনা ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতুং অহানবা ওইনা অম্রিটসদা অশিবা হকচাং থিনবা ওইনা চৎকনি। মদুগী মথংদা পটনা অমসুং কোলকটাদা চৎতুনা অশিবা হকচাং অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নগনি হায়রি।

ইরাক্তা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়া মচাশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মমাঙ থাগী ২৬ তা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বারাজনা ন্যু দিল্লিদা উন্নখি। মমাঙ থাদা সুস্মা স্বারাজনা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবদা ইং ২০১৪ গী জুন থাদা ইরাক্কী মোসুন্দগী আই এস আই এস ইন্দিয়া মচা ৪০ ফাখি। অদুম ওইনমক মীওই অমদি বাংলাদেশতগী মুস্লিমনি হায়বগী শক্লোন লৌদুনা নাম্থোকহৌখি। লেমহৌরিবা ইন্দিয়া মচা ৩৯ অদু বাদুসতা পুখিবগা লোয়ননা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# খা থংবা কাশ্মীরদা লান্মীনা ওপরেসন চথবদা টেরোরিষ্ট ১১ হাৎখ্রে, লান্মী ৩ শিরে



*শ্রীনগর, এপ্রিল ১ ঃ*

কাশ্মীরগী খা থংবা শরুক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা হৌখিবা পুং ২৪ চুপ্পা ওপরেসন চথবদা টেরোরিষ্ট ১১ হাৎপগী অদুদা লান্মী ৩ লৈখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না উমর ফাইয়াজ কৌবা লান্মীগী ওফিসার অমা লূহোংফম অমদগী চিংথোক্কুনা টেরোরিষ্ট অনীনা হাৎলমখি। ঙসি হাৎখ্রবা টেরোরিষ্ট ১১ গী মনুংদা অমদি থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেন চথখিবা অদুদা মীচম অনীসু শিখি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং সেক্যুরিটি ফোসনা মতম অমত্তদা অনন্তনাথ অমসুং সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্কী পোথাফম অহুমদা ওপরেসন চথখি। অকক্লবা পাউ অমা ফংবগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মফম খরদা টেরোরিষ্টশিং লোৎতুনা লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখি।

টেরোরিষ্টশিং অদুনা মফম অদুদা পূনশিন্দুনা লৈবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক্ট তৌনবা হোৎনরমখি হায়রি।

সোপিয়ানগী দ্রাগিয়র লমদমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মায় পাক্লা ওপরেসন চথখি। কাচাদুরাদগী কিলোমিটর ৭৪ লাপ্পা লৈবা মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোসনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরবা মতুং টেরোরিষ্ট তরেৎ হাৎপা ঙমখি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না মমাঙ চহীগী মে থাদা উমর ফাইয়াজ হাৎখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিং হাৎপা ঙমখ্রে

লান্মীগী চহী ২২ রোম শুরবা লেফটিনেন্ট অমন কাশ্মীরদা পাঙথোকপা মহাক্কী মখুরাগী মচাশিং অমগী লূহোংবগী থৌরম য়াওরিঙৈদা টেরোরিষ্টশিংনা ফাদুনা চিংথোকখ্রবা মতুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা খা থংবা কাশ্মীরগী মফম অহুমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন চথখি। লাইবক থিবা থৌদোক অমা ওইনা টেরোরিষ্টশিংদা লৈমিন্নরম্বা য়ূমগী মপু অমা শিখিবশিংগী মনুংদা য়াওখ্রে।

অনন্তনাথ দিষ্ট্রিক্টকী দালগাম লমদমদা টেরোরিষ্ট অমা হাৎপা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা টেরোরিষ্ট ১ না সেরেন্দর তৌরকখি হায়রি।

লোকলে পুলিসনা লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী ইমুং মনুংদা অখন্নবা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা ৱারী শান্ননবা হোৎনখি। টেরোরিষ্ট কয়া হাৎখিবগী পাউ শন্দোকখ্রবা মতুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা মীচম কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা খূৎ থোক্লখিবা মফম অদু ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা মীচম অমা শিখি অদুগা মীওই ২৫ না পেলেট গনগী মচেৎশিংনা পানখি। অদুগা মীওই ৬ না নোংমৈ মরুনা শোকহনখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবা মীচম ৫০ অশোক–অপন নংখি হায়রি।

কাশ্মীরগী খা থংবা শরুক্তা মীচমশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা পুলিসকা চাউনা মুক্লবা লৈরি। পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং তম্পাক লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবগীদমক থাজিনখ্রে হায়রি।

মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা শ্রীনগর অমসুং বনিহালগী মরক্তা চেনগদবা ত্রেন কয়াসু সস্পেন্দ তৌখি হায়রি।

# পোপনা ইষ্টর মেসেজ ওইনা সিরিয়াদা মীহাৎ মীপুন চথবা লেপ্পনবা অপিল তৌখ্রে



*ভেটিকান, এপ্রিল ১ ঃ*

পোপ ফ্রান্সিসনা ইষ্টর মেসেজ অমা ওইনা ভেটিকান সহরদগী ফোঙদোকখিবদা সিরিয়াদা হৌজিক থোক্লিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোকশিং অদু লোয়শিনহনগদবনি। ইস্বারনা সাউথ সুদান অমসুং দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো অমদি কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ওইরিবা ফিভমশিং অদু ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা খঙহনখ্রে।

ঙসি সেন্ট পিটর ইসক্বারদা মীওই লীশিং কয়ানা পোপ ফ্রান্সিসনা ৱা ঙাংবা তাননবা লাক্লখি। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা শান্তি থম্ননবা হোৎনরি। সিরিয়াদা হৌজিক মীচম কয়া কা হেন্না ৱাবা ফিভম অমদা হিংলি। লেপ্পা লৈতনা চথরিবা লান অদুনা মীওই কয়া তমথিবা মওংদা অৱাবা নংলি।

ইষ্টর নুমিৎনা লাকপদা জিজস খ্রাইসকী মশেক মঙান্না পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মিলিটেন্টশিং লুচিংবশিংদা মঙাল অমা পীদুনা লেপ্পা লৈতনা চথরিবা মীহাৎ–মীপুনগী থৌওংশিং লোয়শিনহনবা ওইরসনু।

মীওইবা অমগী কাঙলোনশিংবু ইকায় খূম্নগদবনি। তঙাই ফদবা মীওইশিংদা তেঙবাং পীগদবনি। হৌখিবা চহী ৫ গী মতম অসিদা সিরিয়াদা খ্বাইদগী তমথিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক থোক্কুনা লাক্লি।

ইং ২০১৩ দগী হৌরকখিবা অমদি নোংচুপ লৈবাকশিংনা লৈবাক অদুগী মথক্তা খূৎ থিংজিন্দুনা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া থোকহনখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, শেংলবা লৈবাকশিং অদুদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা তমথিবা থৌদোক কয়া থোক্লে। হৌজিক হৌজিকসু মীচমশিং ঙাক–শেনবা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। য়েমেন অমসুং মিদন ইষ্টকী লৈবাকশিংনা অমনা অমবু ইকায় খূম্নবগা লোয়ননা ৱারী শান্নদুনা তোখায় তাবা অমসুং হিংশাগী থৌওংশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগা লৈনবা মরীগী মতাংদা লুচিংবা অদুনা হায়, কোরিয়ান পেনিনসুলাদা মতম শাংনা উংখৎনদুনা লাক্লি। ফিভম অদু লাকশিন্নবা নুংশি চান্নবা অমসুং শান্তি পুরক্লবা অমনা অমবু মশক খঙবগী তঙাই ফদবা লৈ। কোরিয়াগী মীয়ামদা হকথেংননা পূক্নীং লৌশিং পীবগা লোয়ননা কোরিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা নুংশিনবা অমসুং শান্তি লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। মালেমগী কাঙলূপ খুদিংমক্লা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈনহন্নবা মীৎয়েং থমগদবনি হায়রি।

য়ুক্রেন অমসুং ভেন্যুজ্বেলাদা থোক্লিবা তোখায় তাবা অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিং লোয়শিল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মালেমগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা লৈবাক অমগা অমগা অমসুং লৈবাক মনুংদা কাঙলূপকী ওইবা তোখাইবা মীৎয়েংনা মরম ওইরগা উংখৎনবা অমদি পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদু ৱারী শান্নদুনা অমদি অমনা অমবু মশক খঙনদুনা শান্তি লৈবা চাউখৎপা ফিভম অমা শেমগৎনবা হোৎনগদবনি হায়নসু খৃষ্টেন লাইনিংগী মকোক থোংবা লুচিংবা পোপ ফ্রান্সিসনা ঙসি ভেটিকানদা পাঙথোকপা ধর্মগী ওইবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখি।

ইষ্টরগী মেসেজ অমা ওইনা লুচিংবা অদুনা সিরিয়াদা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক, সাউথ সুদান, রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো অমদি কোরিয়ান পেনিনসুলাদা থোকখিবা ৱাথোকশিং ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা পাউজেল পীরক্লি।

GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 19/02/18
Valid : 10/02/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Porompat Indane**
Delivery on 2nd April
Stk : 306
Booking upto date

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 22/02/18
Valid : 20/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**RBD Indane**
Booking : 05/02/18
Valid : 24/01/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

সনা–সুদোকু –১১২৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 6 | 7 | 4 | 5 |
| 9 | 1 | 4 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 6 |
| 6 | 5 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 4 | 5 | 6 | 9 | 3 | 8 | 7 | 2 |
| 2 | 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 4 | 9 | 1 |
| 7 | 8 | 9 | 2 | 4 | 1 | 6 | 5 | 3 |
| 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 | 7 |
| 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 9 |
| 5 | 7 | 8 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 | 4 |

# এ পি এস সি ৱাথোক্কা মরী লৈননা মহুৎ শিন্দুনা এক্সাম থাখিবা নুপী অমা ফারে

*গুৱাহাটি, এপ্রিল ১ ঃ*

অসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী শেঙ্গা–থুমজাগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা দিপ্যুটি এস পি কৌসিক কলিটাগী লোয়নবী ফারে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না কৌসিক্কী লোয়নবীনা এ পি এস সি না লৌবা পরীক্ষা অদুদা মহাক্কী মপুরোইবা কৌসিক্কী মহুৎ শিন্দুনা পরীক্ষা থাখি হায়রি।

মখোয়না এ পি এস সি গী চিয়ার্মেনদা শেঙ্গা–থুমজা তৌদুনা মহুৎ শিন্দুনা পরীক্ষা ফমখি। এ পি এস সি গী থবক হাপ্পদা খ্বাইদগী মরু ওইনা চেন্নরিবা চিয়ার্মেন অমসুং দি এস পি গী নুপী ফারে। পাউখুম চেদা ইরমখিবা খূৎই অমসুং দি এস পি গী খূৎইশিং চাংদম্নরবা মতুং মান্নদবা কয়া লৈবদগী ৱাথোক অদু লাকখিবনি হায়রি।

# চাউনা নীংহন্নবা থৌদোক অমা ওইনা জি এস এ টি–৬ এ পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১ ঃ*

জিওসিনক্রোনস লোঞ্চ ভিহিকল (জি এস এল ভি) রোকেটনা মমাঙ চয়োলদা কাপখৎখিবা জি এস এ টি–৬ এ সেটিলাইট ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী রাদরগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে। স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন অদুনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা সেটিলাইট অদু ওর্বিটতা থমখ্রবা মতুং পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে।

ইসরোগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা হায়, টন ২০৬৬ লূম্বা সেটিলাইট অদু পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে। থৌশিল অদুদা অশোয়বা থেংনখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক সেটিলাইট অদুগা অমুক হন্না পাউ ফাওনবা ঙম্লকপসু য়াই হায়খি।

শগোলশেন নুমিৎতা কাপখৎখিবা সেটিলাইট অদু ফেজ অহুম থোক্লা ওর্বিটতা থম্ননবা হোৎনখি। সেটিলাইট অদু পৃথিবীগা খ্বাইদগী নক্লবা ওর্বিটতা থল্লবা মতুং ওর্বিটকী অরাপ্পা হেনগৎহন্দুনা ফাইনেল ওইবা ওর্বিটতা থম্ননবা হোৎনখি।

ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ৯.২২ তাবদা ইসরোনা ফোঙদোকখিবদা সেটিলাইট অদু অহানবা ওর্বিটতগী ৱাংখৎহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়খিবনি।

অনীশুবা ওর্বিট ফাওবা য়ৌখিবা অদু মায় পাকখি। মদুগী মতুং থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা অহুমশুবা ওর্বিটতা থম্ননবা হোৎনখি। ইসরোগী জি এস এ টি–৬ এ সেটিলাইট অদু শ্রীহরি কোটাগী ষটিসধাৱান স্পেস সেন্টরদগী জি এন এল ভি হেভিৱেট রোকেটনা পুখৎখি। সেটিলাইট অদু অহুমশুবা অমসুং অরোয়বা ওর্বিটতা থম্ননবা হোৎনবদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি। সেটিলাইট অদুগা পাউ ফাওননবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মার্চ ৩১ দা মিনিট ৫৩ চঙনা সেটিলাইট অদুগী লাম ইঞ্জিন ওপরেট তৌদুনা অনীশুবা ওর্বিটতা মায় পাক্লা থম্বা ঙমখি। সেটিলাইট অদুনা অনীশুবা ওর্বিটতা লৈরবা মতুং মহৌশাগী ওইনা মায় পাক্লা মথৌ তৌবা ঙমখি। লোয়নননা অহুমশুবা ওর্বিটতা এপ্রিল ১ দগী থম্ননবা হোৎনখি। অহুমশুবা ওর্বিটতা থম্ননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা অশা চাউনা তৌরিবা সেটিলাইট অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

লৈবাক অসিনা শাজবা সেটিলাইট অদু লুপা ক্রোর ২৭০ চঙনা শেমগৎখিবনি সেটিলাইট অদুনা সিগ্নেল কয়া থারক্কনি হায়বগী থাজবা থমখি। ইসরোনা শাবা সেটিলাইটশিংগী মনুংদা জি এস এ টিনা খ্বাইদগী চাউবা এন্টিনা য়াওবা জি এস এ টি–৬ এ না অহানবা ওইখিবনি হায়রি।



ফাইল ফোটো

SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1128**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | | | 8 | |
| 3 | | | 7 | | | | | 4 |
| | 6 | | | 2 | 3 | | | |
| | | | | | | 6 | 7 | |
| | | 3 | 4 | | | | | 9 |
| | | 7 | | | | | | 1 |
| 7 | | | | | 5 | 9 | 6 | |
| | 1 | 5 | 8 | | 9 | | | |
| 8 | | | 3 | | | | 2 | |